

থৌদাং স্পোর্টস

[illegible]

ইম্ফাল, জুলাই ২৮, ২০১২ ইং, থৱানগী ১০ নি পানবা, থাংজ

য়ু বি এস এ অমসুং ৱাই দব্লিউ য়ু মায় পাকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা দি এস এ গ্রাউন্দ ককচিংদা চখৎরিবা লৈহাও মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ু বি এস এ মন্তক অমসুং ৱাই দব্লিউ য়ু ককচিং মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচতা য়ু বি এস এ না এস দব্লিউ সি ককচিংবু ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। শান্নখিবা মেটচ অদুদা য়ু বি এস এ গী মাইকৈদগী শিলমিংথাংনা ৩২শুবা মিনিটতা চনখিবা গোলনা মেটচ অদু মাংজিল থাখি। টিম অদুগী মাইকৈদগী ষ্টেফেননা ৩৫শুবা মিনিটতা অতোপ্পা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২-০ দা মাংজিল থানা চৎখি।

মেটচ অদুগী অনিশুবা হাল্ফতা য়ু বি এস এ গী বোবোইনা ৬২শুবা মিনিটতা অতোপ্পা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ৩-০ দা মায় পাকপগী লম্বী য়ৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই দব্লিউ য়ু ককচিংনা এ আই এফ এ ইরেংবন্দবু ৯-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অদুগী ৪শুবা মিনিটতা ৱাই দব্লিউ য়ু গী বঙ্কিমনা টিমগী অহানবা গোল চন্দুনা মাংজিল থাখি। টিম অদুগী সমানন্দনা ৪১শুবা মিনিটতা গোল অমা হাপচিন্দুনা ২-০ দা মাংজিল থানা চৎখি। টিম অদুগী গোল ২ হন্দোক্নবা আইফাগী মাইকৈদগী হোৎনখি। মেটচকী ১৮শুবা মিনিটতা উমাকান্তানা আইফাগী মাইকৈদগী গোল অমা হন্দাকখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৱাই দব্লিউ য়ু না ২-১ দা মাংজিল থানা চৎখি।

মেটচ অদুগী অনিশুবা হাল্ফতা ৱাই দব্লিউ য়ু না লাকশিন্দুনা মখোয়গী মখা তাবা গোল ৭ চন্দুনা এ আই এফ এ বু চাওনা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদুদা টিম অদুগী নাওবীনা ৪৭শুবা মিনিটতা গোল অমা, কিষননা ৫০শুবা মিনিটতা গোল অমা, নাওচানা ৫৩শুবা অমসুং ৬৭শুবা মিনিটশিংদা গোল ২, সুরোজনা ৬২শুবা মিনিটতা গোল ১ অমদি ঘনশ্যামনা মেটচকী ৬৩শুবা অমসুং ৭১শুবা মিনিটশিংদা গোল ২ চনখি।

হাল্ফ অদুদা এ আই এফ এ গী মাইকৈদগী গোল অমা ফাওবা চনবা ঙমদনা মেটচ অদু মায়থিখি।

সিটিজেন্স ক্লবনা রাউবু মায়থিবা পীখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চখৎরিবা মোইরাংথেম ইবোবী ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সিটিজেন্স ক্লবনা রাউ লাইরিকয়েংবম লৈকাইবু ৪-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অদুদা সিটিজেন্সকী মাইকৈদগী মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা টিমগী সি ঐচ কিসননা ২২শুবা মিনিটতা চনখিবা গোলনা ১-০ দা মাংজিল থানা চৎখি।

মেটচ অদুগী অনিশুবা হাল্ফতা সিটিজেন্সকী মাইকৈদগী অতোপ্পা গোল ৩ চন্দুনা মেটচ অদু ৪-০ দা মায় পাকপগী লম্বী য়ৌখি। টিম অদুগী মাইকৈদগী মেটচকী ৫১শুবা মিনিটতা ফংখিবা পেনাল্টিদা এস কৃষননা কাওদুনা টিমগী অনিশুবা গোল ওহ্নোকখি। মেটচ অদুগী ৫৫শুবা মিনিটতা অতোপ্পা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ৩-০ দা মাংজিল থাখি। টিমগী অহুমশুবা গোল অদু কিরননা চনখি। টিম অদুগী সি ঐচ কিসননা মেটচকী ৭৩শুবা মিনিটতা অতোপ্পা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ৪-০ দা মায় পাকপগী লম্বী য়ৌখি।

ঙসি শান্নগদবা অনিশুবা মেটচ নোং কন্না তাবদগী শান্নদনা য়েথোকখ্রে। মেটচ অদু এস এস সি পোরোম্পাৎ অমসুং য়ু পি এস এ পুখাও অনিনা শান্ননবা লেপখিবনি।

হয়েং নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ দা উপাগা টি ৱাই দব্লিউ ও গা অমদি নুংথিল পুং ২.৩০ দা দোএককা পয়াগা শান্নরগনি।

এম ও এ অমসুং য়াসনা শিন্দুনা পাংথোকখিবা মণিপুরগী লণ্ডন গেমসত য়াওগদবা মশান্নরোইশিংগী মায় পাক্লনবা থৌনি থৌরম

য়াইফ মঙ্গল পীরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ ঃ ঙসিদগী হৌগদৌরিবা লন্দন ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নগদৌরিবা মণিপুরগী ওলেম্পিয়ান মঙা, দেবেন্দ্র, মেরিকোম, বোম্বেলা, সোনিয়া চনু অমদি কোথাজিৎকী মফমদা য়ং ফ্রেন্দস য়ুনিয়ননা য়াইফ মঙ্গল পীরক্লি।

প্রি-রিটয়ারমেন্ট ত্রেনিং

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ ঃ ফুটবোল এক্টিভ রেফরিগী প্রি-রিটয়ারমেন্ট ত্রেনিং আগষ্ট ২দগী ৩ ফাওবা পাংথোক্নবা লেপ্লব্বা অদু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেন্দরেসন্না অনৌবা মতম অমা লেপত্রি ফাওবা য়েথোকখ্রে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি এল রঞ্জিৎরোয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। গুৱাহাটিদা পাংথোক্নবা লেপ্লব্বা ত্রেনিং অদুদা মণিপুরগী ৩ য়াওগদৌরি।

সিটিক অমসুং আর পি য়ু না থোইখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শিন্দুনা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাই গ্রাউন্দদা চখৎরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সিটি ক্লব হৈরোক অমসুং আর পি য়ু পপাল মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচতা সিটি ক্লবনা মখোয়গী লম্বা রাইদো চরাংপাৎপু ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। শান্নখিবা মেটচ অদুদা সিটি ক্লবকী মাইকৈদগী ৯শুবা মিনিটতা ইবোমচানা চনখিবা গোলনা মেটচ অদু মাংজিল থাখি। টিম অদুগী বোবোচানা ১৩শুবা মিনিটতা অতোপ্পা গোল অমা চনখি। টিম অদুগী মাইকৈদগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা মখোয় অনিগী গোল অদুনা ২-০ দা মাংজিল থানা চৎখি। মেটচ অদুগী অনিশুবা হাল্ফতা টিমগী ৩শুবা গোল ওইনা কাফুংয়ো সরানা ৪৮শুবা মিনিটতা চন্দুনা মেটচ অদু ৩-০ দা রাইদোবু মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা আর পি য়ু পপালনা সিভো সঙ্গ্রামবু ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। শান্নখিবা মেটচ অদুদা সিভোগী মাইকৈদগী মেটচকী ৭শুবা মিনিটতা পালেন্দ্রোনা টিমগী গোল চন্দুনা মেটচ অদু মাংজিল থাখি। অদুবু আর পি য়ু পপালগী এন রোসননা ১১শুবা মিনিটতা চনখিবা গোলনা মেটচ অদু ১-১ দা মান্ননা লৈখি। টিম অদুগী মাইকৈদগী সাগরনা ৪০শুবা মিনিটতা টিমগী অতোপ্পা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ২-১ দা সিভোবু মায়থিবা পীবা ঙমখি।

বিরেন্দ্র সুপর দিভিজন লিগ হৌরগনি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ১৩শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট লাক্লিবা তাং ২৯ গী নুংথিল ১.৩০ দা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিসননা চিফ গেষ্ট ওইদুনা থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা হৌদোক্লগনি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা থাংমৈবন্দ এথলেটিক য়ুনিয়ন (থাউ) থাংমৈবন্দগী প্রসিদেন্ট খুমুকচম বিরা মৈতৈনা থৌরমগী গেষ্ট ওফ ওনর, দোনর এস বিরাচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস সনাতোম্বনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইদনা পাংথোক্লগনি।

লিগ অসিদা পুন্না টিম ৭ না শরুক য়াগদৌরি। ৬শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগতগী রিলিগেট তৌখ্রবা ৱাই দি ও হৈনৌ খোংনেম্বী, ইবসা মোইরাংখোম মখা য়ুম্নাম লৈকাই, য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং, নাকো নম্বুল মপাল, দি এম রাও অৱাং সেকমাই, শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ শগোলবন্দ অমসুং থাউ থাংমৈবন্দনি।

লিগ অসিগী ওপনিং মেটচ ওইনা তাং ২৯ গী নুংথিল পুং ১.১৫ ইবসা য়ুম্নাম লৈকাইগা দি এম রাও অৱাং সেকমাইগা শান্নরগনি। মখা তাবা মেটচ ওইনা জুলাই ৩১ দা য়ং ফিজিক য়ুনিয়নগা এস য়ু গা, নাকোগা থাউগা শান্নগনি। আগষ্ট ৩দা ৱাই দি ওগা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকা, ইবসাগা থাউগা শান্নগদৌরি।

এভেঞ্চর কোর্স

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ ঃ মণিপুর মাউন্টেনরিং এন্দ ত্রেকিং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা লমদানগী মণিপুর মাউন্টেনরিং ইনষ্টিট্যুটতা ৬৮শুবা এভেঞ্চর মাউন্টেনরিং কোর্স আগষ্ট ৫ দগী পাংথোক্কদৌরি। শরুক য়ানিংবশিংনা আগষ্ট ২ ফাওবগী মনুংদা রেজিষ্ট্রেসন ফোর্ম এসোসিয়েসনগী মিনুথোংদা লৈবা ওফিসতগী লৌরবা য়াগনি হায়রি।

মনা-মথুম য়েহ্নোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ ঃ মণিপুর শুটিং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চখৎখিবা ২২শুবা ষ্টেট শুটিং কম্পিটিসন মনা-মথুম য়েহ্নোকপগী থৌরম লাক্লিবা জুলাই ২৯ গী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসনগী ৱাকিং প্রাসিদেন্ট মধুমঙ্গোলনা চিফ গেষ্ট ওইদুনা পাংথোক্লগনি।

ষ্টেট অমসুং ইন্টরদিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ঃ মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ৫৭শুবা ষ্টেট অমসুং ৩১শুবা অমসুং ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন চেম্পিয়ন মথং থা আগষ্ট ১৬ তগী ২২ ফাওবা ইম্ফালগী দি এম কলেজ কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাংথোক্নবা লেপখ্রে।

চখৎগদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কম্পিটিসননা আগষ্ট ১৬ অমসুং ১৭ তা মেন, ৱুমেন, ভেটরান মেন্স অমসুং ৱুমেন্স (চহি ৪৫গী মথক), চহি ১৯ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ওইনা পাংথোক্কদৌরি।

ষ্টেট বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপতা আগষ্ট ১৮ দগী হৌরগা ২২ ফাওবা পাংথোক্কদৌরি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মিদগেট বোইজ অমসুং গার্লস, সব-জুনিয়ার বোইজ অমসুং গার্লস, জুনিয়ার বোইজ অমসুং গার্লস, মেন অমসুং ৱুমেন্সকী সিঙ্গল অমসুং দবল ইভেন্টশিং লৈগদৌরি। মিক্স দবলসু চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা য়াওগদৌরি।

ভেটরানগী ওইনা চহি ৩৫, ৪০, ৪৫, ৫০, ৫৫, ৬০, ৬৫, ৭০ গী মথক্কী সিঙ্গলস নুপা অমসুং নুপীগী ওইনা পাংথোক্কদৌরি। চহি কাংলুপশিং অসিদা দবলসকী কম্পিটিসনসু লৈগনি হায়রি।

STATE ELECTION COMMISSION, MANIPUR

NOTIFICATION

Imphal, the 27th July, 2012

No.12/1/2012-SEC: In pursuance of Rule 3 of the Manipur Panchayati Raj (Election) Rules, 1995, notice is hereby given that General Elections to Imphal East, Imphal West, Thoubal and Bishnupur Zilla Parishads and all the Gram Panchayats comprised therein shall be held as per the programme given below:

Last date for filing of nomination - 03-08-2012 (Friday)
Date of scrutiny - 04-08-2012 (Saturday)
Last date for withdrawal of candidatures-07-08-2012 (Tuesday)
Date of Poll - 13-09-2012 (Thursday)
Houre of Poll - 7:00 a.m. - 4:00 p.m.
Date of re-poll, if any - 15-09-2012 (Saturday)
Date of counting - 17-09-2012 (Monday)
Date of completion of Elections - 22-09-2012 (Saturday)

By order of the State Election Commission, Manipur

Sd/-
Th. Chitra Devi
Secretary,
State Election Commission, Manipur

NT/B/28

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE
SUB-DIVISIONAL OFFICER/RETURNING OFFICER
Porompat, Imphal East
NOTICE OF ELECTION

Porompat, the 27th July, 2012

No. SDO(P)/RO/P/Elec/2012: In pursuance of Rule 4 of the Manipur Panchayati Raj (Election) Rules, 1995 notice is hereby given that -

(1) Election are to be held for election of:
  a) Members of Imphal East Zilla Parishad from 5-Kontha Khabam, 6-Laipham Khunou, 7-Kairang Khomidok, 10-Top Naoria, 11-Kshetrigao, 13-Bashikhong & 14-Uchekon Nongchup Zilla Parishad Constituencies; and
  b) Pradhans and Members of 5/13-Kontha Khabam, 5/14-Luwangsangbam, 5/15-Nilakuthi, 6/16-Laipham Khunou, 6/17-Lairikyengbam Leikai, 7/18-Kairang Khomidok, 7/19-Heingang, 10/1-Top Naoria, 10/2-Top Dusara, 10/3-Thambalkhong, 11/4-Kshetrigao Part-I, 11/5-Kshetrigao Part-II, 11/6-Naharup, 13/10-Bashikhong, 13/11-Thongju Part-I, 13/12-Thongju Part-II, 14/13-Uchekon Nongchup, 14/14-Uchekon Nongpok, 14/15-Khongman & 14/16-Torban Kshetri Leikai Gram Panchayats;

(2) Nomination paper may be delivered by a candidate or by his proposer(s) to the Returning Officer of to the Asst. Returning Officer at the office of the Sub-Divisional Officer/Returning Officer, Porompat, Imphal East between 11:00 a.m. and 3: p.m. on any day (other than public holiday) not later than the 03/08/2012 (Friday);

(3) froms of nomination paper and information regarding reservation for SC, ST & Women, etc. may be obtained at the place and time aforesaid;

(4) the nomination paper will be taken up for scrutiny on the 4th August, 2012 (Saturday) at 11:00 a.m. at the office of the Sub-Divisional Officer/Returning Officer, Porompat Imphal East;

(5) notice of withdrawal of candidature may be delivered either by a candidate or his election agent who has been authorised in writing by the candidate to deliver it to either of the officer specified in peragraph (2) abvoe at his office before 3:00 p.m. on 7th August, 2012 (Tuesday); and

(6) In the event of the election being contested, the poll will be taken on the 13th September, 2012 (Thursday) betwen the hours of 7 a.m. to 4 p.m.

Sd/-
Somorjit Salam
Returning Officer, Porompat

NT/B/28

D.C. অমদি SDO THOUBAL গী মফমদা ৱাকৎচরি

Lamding Cherapu Meitei Makha Leikai Ward No.04 Sangaiyumphal Pt-II G.P. গী area মনুংদা Vote থাদফম থোকপা ঐখোয়না মরী লৈনবা চে-চাং মতম চানা SDO Thoubal গী ষ্টাফতা Ward No. 4 দা য়াওনবা থাজিনজখি। লোয়ননা SDO গী Staff নসু House Hold Survey তৌদুনা চুম্লে খংলবা মতুংদা Final Electoral Roll 2012 দা য়াওরবা ঐখোয়গী মিং Sl. No. 470, HNO 122 দগী Sl.No. 492 HNO 127 ফাওবদা য়াওরবা ঐখোয়গী মীংবু, হাবি-জাবি, লৌতুনরগা অমুক ককথৎনবা হোৎনরিবসি, তাং ২৯ থা ৭, ২০১২ ইং, ফাওবগী মনুংদা Final Electoral Roll, প্রজা ঐখোয়দা ফংহন্দ্রবদি আইনগী মতেং লৌদুনা অকনবা এক্সন লৌখৎলগনি হায়না খবরগী থোংদা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা মরী লৈনবা Panchayat Minister অমদি Higher Authority নসু অচুম্বা মিৎয়েং য়েংশিনবীনবসু হংগৎচরি।

ৱাকৎচরিবগী সহি

1. **Sorokhaibam Khomei Singh (Sl. No. 470 H.No. 122)**
2. **Sorokhaibam Chaoba Singh (Sl. No. 478. H.No. 124)**
3. **Sanasam (O) Chaotombi Devi (Sl.No.489, H.No. 125)**
4. **Sanasam Maniton Singh (Sl.No. 491 H.No. 427)**

NT/49357/28

WANTED থবক্কী পাউ JOB NEWS

Office, School, Hotel অমদি Show Room গী ওইবা অহানবা কম করা Manipur দা লৈবা Male and Female দগী অদুবুগী ওইনা কৌজরি।

1. Wanted for Manipur post -
   Security Guard - 42, Driver - 6, Attendent - 4, Asst. Manager & Manager - 4, Cook/Helper - 13 Reception - 4, Rhymes Teacher - 8, Computer Operator - 4, Teachers - 6 (Outside)
2. Urgently Required for Airlines -
   Air Hostess - 8, Cabin Crew - 11, Ground staff - 15, Loader - 22, Ticketing staff - 11, CSA - 11, Sport Boys - 4.
3. For International Post of Merchant Navy -
   G.P. Rating - 22, Dect Cadet - 17, Navigation Officer - 8, Engineering Officer - 11, Pre-sea dect cadet - 22.

Last date - 01/07/12 Helpline No.
Interview Date - 02/07/12 9774816922 / 9856416823

Millennium Job Centre, Yumnam Leikai,
Near Loklaobung Gas, Singjamei Road.

NT/45475/20,22,28,31,01(Aug)

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL EAST-SAWOMBUNG

Ref: Mut. Case. No. 472/SDC/20/7/2012

Applicant : Hijam Achou Singh S/o., (L) Iboyaima Singh of Thangmeiband Polem Leikai

Vrs:-

(Late Pattadar) Hijam (O) Shyama Devi W/o., Achou Singh of Thangmeiband Polem Leikai

NOTICE

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরি লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিলগী খুল নম্বর ৬৪ (কাংবা চিংজিন) গী পাট্টা নম্বর ২৭৭ গী দাগ নম্বর ৩৬১অমসুং ২৫৫ গী মোট এরিয়া ০.৬১ অমসুং ০.৯৭ একর অপুনবা ১.৫৮ চাওবা লৌফমগী পাট্টাদার মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা হায়রিবা লৌফম অসি মহাক্কী স্বত ওইনা ফংজরে। মরম অসিনা লম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা চে পীশিনবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/-
H. Jayantakumar Sharma
Sub-Deputy Collector, Sawombung

NT/49352/28

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL EAST-SAWOMBUNG

Ref: Mut. Case. No. 471/SDC/20/7/2012

Applicant : Hijam Achou Singh S/o., (L) Iboyaima Singh S/o., (L) Iboyaima Sing of Thangmeiband Polem Leikai

Vrs:-

(Late Pattadar) Hijam (O) Shyama Devi W/o., Achou Singh of Thangmeiband Polem Leikai

NOTICE

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরি লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিলগী খুল নম্বর ৬৪ (কাংবা চিংজিন) গী পাট্টা নম্বর ৫৪ গী দাগ নম্বর ২৫০ গী মোটএরিয়া ১.২৯ একর চাওবা লৌফমগী পাট্টাদার মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা হায়রিবা লৌফম অসি মহাক্কী স্বত ওইনা ফংজরে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা চে পীশিনবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/-
H. Jayantakumar Sharma
Sub-Deputy Collector, Sawombung

NT/49352/28

থবক শুদনা পৈশা লৌথোকখ্রে

Imphal West, C.D. Block No. 1, Haorang Sabal গী মখাদা লৈবা Lairenkabi Kadangbam G.P. গী Ward No. 3-Sanjenbam Meira Paibi Apunba Lup (SMPAL) না চহি ৫ (মঙা) দা পাঙথোকখিবা থবকশিং R.T.I. গী Information দগী অরানবা অমসুং চয়েৎনবা থেংনরে। অরানবশিং অদুগী মনুংদা মরুওইনা খরা লৌখৎচরগা মীয়ামদা খঙহঞ্জরি।

MGNREGA গী ২০০৮-২০০৯ দা লৈখিবা জোব র্দ মশিং ১৩৩ নি অদুগা ২০১০-২০১১ দা লৈবা জোব কার্দ মশিং ১৬১ নি। লোয়ননা মশা খঙদনা শেল কায়থোকখিবা জোব কার্দ মশিং ১৯ (তরামাপল) নি।

Lairenkabi Kadangban G.P. অসিগী ৱাংমদগী পানলম্বা জোব কার্দ মশিং ৩ (অহুম) নি লোয়ননা মশাগী চহি ৮৫ (মরিফুমঙা) শুরবা অমনা ২০০৪ দগী ২০১১-২০১২ ইংগী এপ্রিল তাং ৯ (মাপল) ফাওবা মশা খঙদনা মাষ্টর রোলদা প্রজেন্ট পাল্লগা শেল লৌথোকখ্রে। থবক শুদনা শেল কায়থোকখ্রবা থবক মমিং অমসুং শেল মখাদা পীজরি।

- i) Expansion of IVR Heibongpokpi Thongkhong to Sanjenbam Chaprou Sabal লুপা 5,47,401 নি।
- ii) Expansion and Improvement of IVR Sanjenbam Maning to Phayeng Mamang শেনফম লুপা 2,87,205 নি।
- iii) Improvement and Leveling of Playground at Sanjenbam শেনফম লুপা 2,87,022.
- iv) MGNREGA Programme গী মখাদা Job Card Holder 161 গী নুমিৎ ২১ (কুনমাথোই) নিগী শেনফম 4,19,244 কত্তুনা Plaground শেমখ্রে। মদুদা শীজিন্নরিবা Machine শিংনা লৈবা লৌফমদা "Renovation and Construction of Public Tank" at Sanjenbam হায়না মিংথোন্দুনা মীয়াম খঙদনা লুপা 6,00,859 গী শেনফম অমা কায়থোকখ্রে।
- v) Construction of Bazar Shed at Sanjenbam (State Finance Commission) গী শেনফমসু কায়থোক্লে।
- vi) I.A.Y. গী য়ুম শাদনা য়ুম অনিগী লুপা ৪০,৫০০ / ৪০,৫০০ কায়থোক্লগ্রে।

মথক্তা পঙ্করিবা থবক অমসুং মশা খঙদনা সহি শারম্বা লোয়ননা শেল কায়থোক্লম্বশিং অসি মরী লৈনবা ওঠোরিটিশিংনা য়েংশিনবীয়ু।

হায়জরিবা
Kh. Pashot Devi
Secretary,
Sanjenbam Meira Paibi
Apunba Lup (SMPAL), Sanjenbam

NT/49353/28

LOST

I have lost my Original Subscription Voucher No. 446104 issued on 6/4/2000, Consumer No. 000004 of Porompat Indane Gas Service, Imphal was lost on 22/7/2012 on the way in between Keishampat and North A.O.C. Imphal.

Finders are requested handover the same to the undersigned.

Yengkhom Sunil Singh
Keishampat Leimajam Leikai, Imphal
#: 9862107084

NT/49354/28

Pension Card তাহৌরে

মণিপুর সরকারগী Social Welfare Department না issue তৌবা ঐগী Old age Pension Card (Red) No. PHJU/577 অসি য়ুমদগী ককৱা বাজার ফাওবা Xerox তৌবা চৎপদা মফম খঙদনা তাহৌরে।

কনাগুম্বনা থেংনবীরবদি/ খুনবীরবা য়াওরবদি মখাদা পীজরিবা ঐগী এদ্রেস অসিদা শিন্নবীয়ু। অদোমগী অদোমগী তৌবীমল কাওজরোই।

Tensubam Cheitra Singh
S/o (L) T. Tonsana Singh
Kakwa Makha Nameirakpam Leikai

NT/B-B/28

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL EAST-SAWOMBUNG

Ref: Mut. Case. No. 473/SDC/20/7/2012

Applicant : Hijam Achou Singh S/o., (L) Iboyaima Singh of Thangmeiband Polem Leikai

Vrs:-

(Late Pattadar) S. Simreichom W/o., Achou Singh of Thangmeiband Polem Leikai

NOTICE

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরি লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিলগী খুল নম্বর ৬৪ (কাংবা চিংজিন) গী পাট্টা নম্বর ২৭২ গী দাগ নম্বর ২৫৬ গী মোটএরিয়া ১.১০ একর চাওবা লৌফমগী পাট্টাদার মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা হায়রিবা লৌফম অসি মহাক্কী স্বত ওইনা ফংজরে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা চে পীশিনবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/-
H. Jayantakumar Sharma
Sub-Deputy Collector, Sawombung

NT/49352/28

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL EAST-SAWOMBUNG

Ref: Mut. Case. No. 470/SDC/20/7/2012

Applicant : Ningthoukhongjam Devendra Singh S/o., (L) Khelchandra Singh of Uripok Ningtoukhongjam Leikai

Vrs:-

(Late Pattadar) Ningthoukhongjam Khelchandra Singh S/o., (L) Angou Singh of Uripok Ningthoukhongjam Leikai

NOTICE

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরি লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিলগী খুল নম্বর ৭৬ (তেল্লৌ) পাট্টা নম্বর ২৬৩ গী দাগ নম্বর ১০৩৪ গী মোটএরিয়া ২.৫৯ একর চাওবা লৌফমগী পাট্টাদার মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা হায়রিবা লৌফম অসি মহাক্কী স্বত ওইনা ফংজরে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা চে পীশিনবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/-
H. Jayantakumar Sharma
Sub-Deputy Collector, Sawombung

NT/49351/28

Lemon
New Slim Phones
S449
B129